ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯢ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুলাই ১৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১১৪শুবা মশীং

# মীয়ামগী থৌদাং

## ভোট থাদখিবদুনা অরোইবা নত্তে

মালেমগী দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওরিবা ইন্দিয়াগী মনুং চন্দুনা মসিগী মশাগী মশা-শরুক অমা ওইরিবা মণিপুরগী মীয়ামদা অরিবা, অমনবা অমসুং চুমদবা ৱাখল্লোন অমা হৌজিক লৈবাকসিনা নীংতম্লকপগী চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অদুম লোয়নদুনা, চুদুনা লৈবগুম তৌই। ফীভমসিদি হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিবু চেঞ্জরিবা মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি হায়দুনা লৌদবা য়ারোই। হোয়, মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক ৱাখলসিমক লোইনা চেল্লে হায়রুবসু অচুম্বা ওইগদবা মান্দে। অদুবু লৈবাকসিগী মীয়াম (সিটিজন) অমগী রাইট অমসুং দ্যুটিসি চহী ৫/৫ খুদিংগী পাঙথোকপা মরু ওইনা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি/পার্লিয়ামেন্টকী মীখলশিংদা অপাম্বা মীরেপ খন্দুনা ভোট পীখিবা অদুনা লোইরে হায়বগী অরানবা ৱাখলসি খন্দবা/পোক্তুবা মীওইশিংসু য়াওরমগনি। তৌবতবু অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী মশীং য়ামজদবদগী মশীং য়াম্বা মীয়াম মখলনা লাকহৎখিদুনা অচুম্বা/অশেংবা খঞ্জবশিংগী মশেক-মঙাল থোকপা ঙমজদবনি। মখোয়বু হুমদুনা পুথবিরকপনি। অদুবু অশেংবা ওইনা লৈরিবদি মসিমক্তি চুমদে হায়বগী ৱানি। মরমদি লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগীদি লো মেক্কিং বোদি ওইগদৌরিবনি, ওইরিবনি। মসিগা চপ মান্ননা লৈবাকসিগীনা পার্লিয়ামেন্টনা ওইরিবনি। মসিগীদমক বোদি অনীসিগী মীহুৎশিং চহী ৫/৫গী শেলয়াম অমসুং মতম চঙনা মেম্বরশিং খন্ননবা মীখলশিং পাঙথোরক্লিবনি। বোদি অনীমক্তা মেজোরিটি কম্মান্দ তৌবা পোলিটিকেল পার্টিগী মীওইশিংনা ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমসুং লৈবাক্কী ৱায়েল থৌদা খূৎপায়নরক্লিবনি। অদুগা রুল্লিং পার্টিগী লৈঙাক্লোনবু হকথেংননা হিমাই চুমগদবা, অফবা-অচুম্বা লম্বীদা পুবগী থবক্লা ওপোজিসন পার্টিগী মেম্বরশিংনা তৌগদবনি। মসিগীদমক এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা 'শেদো কেবিনেট' হায়দুনা ফাউবা থৌরাং তৌদুনা থম্নরিবনি।

মসিনা লৈবাকসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসিগী মচৎকী ওইবা ৱাফমনি অমসুং শক্তমনি। অদুবু মীয়াম্না য়াম্না মুন্না অমসুং ময়েক শেংনা খঙজিনগদবদি মীয়ামগী রাইট অমসুং দ্যুটিশিং অসি এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিং খনবনা অরোইবা ওইদে হায়বসিনি। মীয়াম্না মখোয়গী লৈঙাক ৱায়েনবগী থৌদাং কোকথোংননবগীদমক খঞ্জখিবা মীহুৎশিংনা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তা থবক চথরক্লবদি মদুগী মায়োক্তা লেপ্নবগী মীয়ামগী কল্লবা পাঙ্গল-থৌনা লৈ। হান্না খোংলক্কদবা ওপোজিশননা মচিন ফোৎচিন্দুনা, মখূৎ পুনশিন্দুনা লৈথোকখ্রবসু মখোয়না তূনা মীয়াম্না অচুম্বা অরানবশিং খূৎ থিন্দুনা মচা খায়না তাক্লকপা য়াই। লৈরিবা লৈঙাক্তু মীয়ামগী মীহুৎশিংনা শেমদুনা পায়বনি। মীয়াম্না খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা অমসুং পূম্নমক্কীসু মথক্তা লৈবা লৈবাক অমগী শরুকশিংগী মনুংদা অমনি। মীয়াম্না য়াদ্রবদি য়াদ্রে, পামদ্রবদি পামদ্রে হায়বদা তারকখিবগী থৌদোক কয়া মণিপুরদসু লৈখ্রে, লৈবাকসিদসু থোকখ্রে। লৈবাক অপূনবগী ওইনা অমখক্তমক চিংথোক্তুনা য়েংবা য়াবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা সেন্টরগী লৈঙাক্না কুমজা ২০২০দা লৈবাকসিগী লৌমীশিংগীদমক্তনি হায়খিবা ফার্ম বিল অহুমদুনা হু পাম্বীশিং ওইরক্তুনা লৈবাকসিগী মফম পূম্নমক্তা মৈচম ওইদুনা চুদুনা চাকখৎলকপদগী মমাঙগী কুমজা ২০২১দা খোঙফম হন্দোকচখ্রিবা অদুনি। মণিপুরগী ওইনা য়েংলবসু হান্না এসেমব্লি সেগমেন্ট ৭ খক্তদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট (অফস্পা), ১৯৫৮ লৌথোক্লম্বদগী খরগা অমুক অহেনবা মফমশিংদগীসু লৌথোরক্লিবসি মীয়ামগী অকনবা প্রেসরদগীনি হায়বদা লানগদ্রা? মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং ফংনবা হোৎনবদা, লৈঙাক্কী অশোয়বা অরানবশিং চুমথোকপদা, কুন্দুনা লৈবা ওপোজিসন মেম্বরশিং ফুক হৌগৎহন্নবা মমৈ থেক্লবা হোৎনবদা মতম অমসুং পাঙ্গল চঙবদি য়াই। অদুবু মীয়াম হুপ্না অমত্তা ওইনা লিংজেল মান্ননবু চঙশিনমিন্নরক্লবদি মীয়াম্না ঙমদবা লৈতে হায়বসি কাউথোক্তবা ফৈ। এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিং খনবা খক্তনা মীয়ামগী অরোইবা থৌদাং ওইদে। লৈবাক্কী থবক তৌনবা খনখিবশিংদুনা অচুম্বা ৱায়েল চখরক্লহন্নবা হোৎনবগী পাঙ্গলসু মীয়ামদা লৈ।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **"কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **"য়াথং"** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **"লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।"** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **"মৈ চঙলবা চেক"** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংলুবদা কোভিদ-১৯

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭১২**

**জিতেন নামৈরাকপম**



চিন্দা পন্নীংদ্রবা, হীংচাবী হায়রগা খঙনবা, ঐখোয় মীয়ামগী মরক্তা শুরু-শুরু নৈশিন্দুনা লৈবা কোভিদ-১৯গী ৱার অমুক খোঙজেল য়াঙশিল্লক্লি। ইংলিস লোন্দা বেট্টল হায়রগদি লানফম মচা-মচা অমা অনী অদুগুম্বা বেট্টল ময়াম অদুনা সিরিজ নাইনা চখরক্লগা মীশি মীনা থোকহনবদু ওইরমগনি ৱার হায়রিবসি। নঙগী কোভিদ মহীকশিং অসিনা পুবা থাংবা ঙমদবা মখৈ ফজনা হেক্তা নৈখায়রক্লে ঐখোয় মীওইবা মীয়ামগী মরক্তা। কয়াদি নুংঙাইত্রে য়েংবীয়ু কুমজা ২০২১-২০২২ ইচাশিং, মহৈরোয়শিং স্কুল, কোলেজ চৎতুনা মহৈ তম্বা ফংজখিদবনি। হন্দক্কী ২০২২গী সেসন হৌরকপা অসিদদি অনৌবা ৱাখল অমগী অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা পোন মনুংদা ফাজিল্লগা থল্লম্বা উচেক্লা অতিয়া শিনবা থুংনা মনিং তম্না পায়বা হৌখিবদা মঙায়রি। অদুবু কোভিদ হীংচাবীনা মরম ওইরগা অমুক ফাজিনবীখ্রে। জুলাই থাগী তারিখ ২৪ ফাওবা ছুটি লাউথোকখ্রে। পোজিটিভ ওইবা অনৌবা কেস মথং মথং য়ামখৎলক্তুনা এক্তিভ কেসকী মশীং নহান জুলাইগী তারিখ ১৭ ফাওবদা ৪৯২ শুখ্রে। মথং মথং কয়া য়াম্না হেনগৎলকখিনি তম্বা ঙমদে। হায়রিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় পূম্নমক চেকশিন্দবা য়াদ্রি। ব্রহ্মামক্লা পোকঙমদবা মমল য়ামখ্রবা মীওইবগী পুন্সি কোভিদকী মহীক্কী মখূত্তা থৱায় থাখ্রে কা হায়বা ৱাদু থোকহন্নীংদে।

মীয়াম্না হেন্না খঙবীরিবদুনি, হঙ্গৎনা য়েংলুবদা কোভিদ-১৯ অকিবগী মশকনি। নুমিৎ অদু কাউদ্রি, ঙসিসু নীংশিংলি। কুমজা ২০২০গী মার্চ ২৩ নুমিদাংনি। ইন্দিয়া শিনবা থুংনা লোকদাউন লাউথোকখ্রে হায়বগী পাউ তানখিবদু। য়ূমদগী মপান থোকপা, থোঙ্গাল ফাওবা লাম্থোকপা শুকয়া য়াদবা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং, নাতোন্দা ওকচিন মানবগুম্না মাস্ক উপ্পা, সেনিটাইজর কাপ্পা, খূৎ-শা তোয়না হাম্বা, য়ারিবমখৈ মী পুন্দবা... এস ও পি ঙাক্লা চৎপা, শম্না হায়রবদা নয়ূমদগী মপান শুংথোক থোক্লক্কনু, মী পূনগনু অসিনি। স্কুল, কোলেজ, ইন্সটিট্যুসন পূম্নমক থিংজিল্লে। কৈথেল, বেঙ্ক, মীয়াম পূনফম, শান্নফম, সিনেমা হোল পূম্নমক পুমচিক চিকখি। গাড়ীগী হোর্ন মখোল তাখিদে। উচেক-ৱায়ানা অতিয়াদা মনীং তম্না পাইজবা, শা-ঙাশিংনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্তুনা চেন চোংদুনা শান্নজবা অসি মঙায়। ৱাটর পোল্যুসন, এয়র পোল্যুসন, নোইজ পোল্যুসন, মখল অমত্তগী পোল্যুসনগী মমি তাখিদে। মালেম পৃথি মহাক্লা হান্নগী ফীভমদা ঈং-তপ্না হঞ্জিল্লকপগী ওন্থোক্লা পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওইরবা শক্তমনি। ঐনা হেক মালেম পৃথি অসিদা খোঙদারকপদগী অদুক য়াম্না ঈং-চিকপা নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক, মৈ-ঈশিং, তুম্পক-তুম্পক হৌরিবা পাম্বীশিং, উচেক-ৱায়া, শা-ঙা পূম্নমক মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপদু পুন্সি অসিদা থেংনখিদ্রে/উখিদ্রে। ফেরি, জহাজ থৌদবদগী সমুদ্রদা মখল মখাগী ঙাশিং হরাউনা ঈমাইথক্তা চোং চোংদুনা শান্নবা উন্নখি। মখল মখলগী উচেকশিংনা এরোপ্লেন পাইদবদগী অতিয়াদা মনিং তম্না পাইনখি। ত্রেন, বস, গাড়ী থৌবগী অহৌবা মখোল তাদবদগী কৈ, নোংশা, শজিনচিংবা শাশিংনা লম্বী সরক্তা জঙ্গলদগী মনীং তম্না থোরক্তুনা চৎপা উনখি। মতমদুদা শিংখিবা নুংশিংকী মনম হৈনম-লৈনম মক্তনি।

কোভিদকী অকিবা লৈজরগসু মহৌশাগা লোয়ননা চৎমিন্নবা পোল্যুসন ফ্রী ওইবা পুন্সি মরেল অমদি কাউবা শুকঙম ঙম্লরোই। তৌবতবু খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমনা ঐখোয় খুদিংমক হাওস এরেষ্ট তৌবগী মওংদা থোঙ্গাল লান্দুনা চৎপা য়াখিদবা, পুলিসনা কোয়শেন শেন্নরগা ফাগদবগী-পুনগদবগী, হঙোই চোংহনগদবগী লুম্নগা লৈবা, মুক্লখিবগী মতাং অদুনি। অমুকসু খঞ্জিল্লুরগা নোক্লিংলকই। লমহেনবা অঙাংশিংনা মমাঙগী লম্পাক্তুদা চেন চোংদুনা, ফুটবোল কাউদুনা শান্নবা পুলিসকী জীপসি থৌজিল্লক্তুনা ফুগদবগী কোয়তান তান্নবা, পুলিস কাঙবু চৎখ্রগা পাইথোকখ্রবা খোই ময়াম পাইশিল্লকপগুম অমুক পুনশিন্দুনা শান্নবা পুখ্রিগী কঙকুপ্তা নূঙজাউ থাদদুনা মায়কৈ শিনবা থুংনা শন্দোকখ্রগা খুদক্তা অমুক পুনশিল্লকপগুম্বনি। কোভিদনি কোভিদনি হায়দুনা কয়াম কুইনা ফাজিন-পূনশিন্দুনা থম্বা ঙমগনি। করি ৱানোনে, ৱাকিং চৎফমসু লৈতবগুম তৌ, চাবগা-থকপগা পোকখায়গে তৌবনি লোকদাউন চৈফুদা মী খুদিংমক ঙাওগে তৌবা ফাও য়াওখিবনি।

শোমদনা অমুক কমদৌবা, অশি-অনাগী পাউমক্তনি। আর্ট এন্দ কলচরদা মমিং লৈরবা, মীয়াম্না শকখঙনরবা আর্টিষ্ট, অইবা, ডাক্টর, ইঞ্জিনিয়র, উকিল, ওজা... মীয়াম্না শকখঙনরবা মীওই কয়া কোভিদ মহীক্না পুদুনা চৎখি। ওন্থোক্লা পাম্মুখ্রে। মালেম অসিদা অমুক হন্না পোক্লক্লরোই খঞ্জবা মমল য়াম্লবা মীওই কয়া য়াওখ্রে। কোভিদ-১৯গী ফর্ষ্ট ৱেভ, সেকেন্দ ৱেভনা মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা অসুক্কী মতিক অকায়বা পীখি হায়বসিদি অদোম অদোম্না হেন্না খঙবীরবনি।

পূম্নমক অসি লোইনা ওইজরগসু। খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইজদবা অসিদি অঙাংশিং হরাউ হরাউ স্কুল কাবা হৌজরগা খুদক্তা অমুক থিংজিনবীবা অসিনি। টাইম, সিচুএসন অমদি সর্কমষ্টেন্সেসকী মতুংইন্না থিংজিন্দবদি য়াদে। চহী ৬/৯দা ঙায়রিবা অঙাংশিং মথং মথং পোজিটিভ ওইখৎলক্লি, মসিদবু থিংদবা য়ারিব্রা? থিংলুদ্রগনা স্কুল চৎলিবা অঙাংশিং তোরা তুনা কোভিদ হীংচাবীনা চাখৎলক্তুনা থৱায় মাঙবা য়াওরকপা তারগদি কমদৌগনি। লুবদি ওন্থোক্লা লুরক্লি। লাইরিক তম্বদা ফিজিকেল্লি ওইবা ক্লাসসু য়াওহন্নীংই। কোভিদতগীসু লাপথোকহন্নীংলি। কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগুম তৌরি। পর্সেন্টেজ ৱাংখৎলক্লি। লাইবক ফবা হায়গদ্রা হন্দক্কী থর্দ ৱেভলা, ফোর্থ ৱেভলা অসিমদি হায়না তানবা য়াবগুম্না মীশি-মীনা কা হেন্না থোকহন্দ্রি। তৌবতবু ঐখোয় চেকশিন্দবদি য়াদ্রি। খ্বাইদগী লুরিবদি ঙসায়দগী ইজরিবা ইশামক নাতোনখুম/চিনখুম, মাস্ক হায়ব্রা উপ্পা কাউরম্মী। সেনিটাইজরগী মহী লিটর ৫ চনবা পাত্রদু হাংদোক্তনা লৈরিমাল্লে, সোসল দিষ্টেন্দিং, ফ্রিক্বেন্ট হেন্দ ৱাশ... করি করিনো এস ও পি মথং মথং নীংশিংলকই। মরক অসিদা খ্বাইদগী হেন্না নোক্লিংবদি লোকদাউনগী রুলস থুগাইবা কাঙবু পুলিসনা কোয়তান তান্নদুনা ফূবগী ভিডিও ক্লিপিং, অঙম তান্নবা, মীয়াম পূনশিন্নদুনা জ্বার শান্নরম্বা, য়ু থক্লম্বগী খোঙগোয়নবা মরক্তা মহৌশাগী নিংথিবা, ফজবগী হৈনম লৈনম, পুমচিক চিকপা লাঙদবা মতম অদু হেন্না পান্নক্লি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৭৭

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মরমদি মীতোপ্পা মফমশিংদুদা চঙশিল্লগা মাঙ তাক্লিংঙাই ওইবা থবক থৌওংশিং চখ্রবা য়াহন্দনবা। অদুনা লাইফমলেনশিংদু তুংগী মীরোলশিংগীদমক খল্লগা ঙাক শেনবা অমদি শেমগৎপা হায়বসিদি তঙাইফদবা থবকশিংনি। লাই অমদি লাইনীং লিচৎতি অদুম লেঙদনা লৈরগা নমু তাইবঙ মীওইবা ওইবা ঐখোয়দি শিবা নাইবনিনা, মীনা শেম্বা শাবা পোৎশকশিংসু মতমগী মতুংইন্না তেকপা কায়বা লৈবা অসুম হায়না উমংদা হৌরিবা উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপাল খুদিংমক শিবা নায়বনিনা, শিদ্রিঙৈদা অনৌবা পাম্বীশিং মফম চানা চানা থাজিনবা হায়বসিসু য়াম্নমক তঙাইফদে। 'উমং অচৌবা অমা মরূ কোকহনবা হায়বসি য়াম্না তেনবা মতমগী মনুংদা পাঙথোকপা ঙম্বদা, হান্নগী উমংদুগী শরুক চাম্মা থোকপগী অমা উমং ওইনা উহন্নবা শেমগৎপদা চহী তরা তরানা খুজিং ওইবা মতম চঙগনি। উমং অমা ওইহন্নবা/কন্নবা হোৎনবদা উ পাম্বী কয়া থাবনা হেক্তা ওইবা য়ারোই। থাবদি লায়, লুরিবদি থারবা উ পাম্বীশিংদু হিংহন্নবা ঙাক শেনবসিনি। ঙসি নোংমদা মী লিশীংনা পাম্বী অহুম অহুম থাবদা পাম্বী লিশীং অহুমসিগী মনুংদা লিশীং কয়াগী পাম্বী হিংবা ঙম্বগে হায়বসিনি অহানবদা খন্নগদবদি। অনীশুবদা, মরম খরদগী হিংবা য়ারে খঙলবা/খল্লবা পাম্বীশিংদু খাঙতপ্তা কয়াম অমুক মাঙখিগদগে খঙবা ঙমদবসিনি। মতাং অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবা মীওই কাঙবু অনী লৈবা য়াই। অহানবগীদা মখোয় মশাগী কান্নবা মরমশিংগীদমক মথোং মরম খঙদনা, নুংশি হৈতনা মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবা কান্নরবা খুদোলপোৎশিংবু মাঙহনবা কাঙবুশিংনি। মখোয় অয়াম্বদি হকথেংননা মহৌশা লাইরেম্বীগী মপাল তাংলগা হিংবা ফুরুপশিংনি। মখোয়না মহৌশা লাইরেম্বীদা মপাল তাংবগী মওংদি মরু ওইনা লৈফমগী, মহৈ মরোং পুথোক্লবগীদমক পাম্বীশিংগী মসা-মরেং থুদেকপা, অতৈ অহেনবা মরমগীদমক য়াম্থৎপা নত্তনা মহুৎ থাজিনবগী ৱাখল তুং ওইনবা, মীশিং হেনগৎলকপদগী চীংগী লমশিংদা উমং কোকথোক্লকপা, চৎথোক-চৎশিন অমদি লমলক্কী শাশিংদগী ঙাকথোকপদা খুদোং চানবগীদমক লম্বীশিংগা কোন্ননা খুন মশীং হেনগৎহল্লকপা, অকোয়বদা উমংগী শরুকশিং মাঙহল্লকপা, চহী কয়াগী মমাঙদগী পোপি পাম্বীগুম্বা থারগা ৱাদনা শেল তান্নবা হোৎনবা কয়াগা শাগোন্নবা মীওইশিংনি। অনীশুবশিংনা মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোল পোৎশিংবু মশক মুন্না খঙনা ঙাক শেন্দুনা কন্নবা হোৎনবা পাম্বা মীওই ফুরুপশিংনি। মখোয়শিংদি উমংগী হৌরকফম ওইবা চীংজাও/চীংশিংদা মপানাৎ-মপুনাৎ/পাথাং-কোক, পুথাং-কোক্তগী হৌরক্লোনগা শাগোন্নরকপা য়েক-শাগৈ লৈবশিংগী খোইয়ুম লাইরেম্বা-লাইরেম্বীশিংগী অথোইবা খুভম লৈবশিংবু ঙাকশেন্দুনা থম্নবা হোৎনবা, উমংশিংবু কন্নবা/য়োকখৎনবা হোৎনবশিংনি। মালেমগী ওইনা অকোয়বগী ফীভমদা হোংলক্লিবসিবু থিংনবা হান্নগী ফীভমদা ঙাক শেন্দুনা হঞ্জিনহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মরী লৈনবা লৈঙাকশিংগী উমংগী লোইশঙশিংগা খূৎশম্নরগা চৎনীংবা মীওই কয়া চীংদসু তমদসু লৈতবদি নত্তে। ফত্তবা মীশিংনা হেঞ্জিল্লকপদগী মালেমগী ওইনা লম-লমগী অকোয়বগী ফীভমশিংদা মাঙ তাকহন্দুনা নুংশিরবা মালেম ইমাবু মখা তানা অৱাবা ঈপাক্তা তাহনগদবদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্নবা লাইনীং লাইশোনগী ৱাফম থিদবীদা অৱাংবা চীংজাও/চীংশিংদা খুভম লৈবশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা উমংগী মফম খরবু দিরিজার্ভ তৌবীরগা মরী লৈনবা লাইনীংগী লূপশিংদা মফম খঙনা লৈঙাক্লা শিন্নবীরগা মতম চুপ্পগী ওইনা ঙাক শেন্দুনা কন্দুনা থম্নবগী থৌদাং লৌহন্নবা খুদোংচাবা/তৌফম থোকপা থবকশিং-থৌরমশিং ঈংনা চিক্লা পাঙথোকপা ঙমহনবীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈঙাক্কী মফমদা থমজরি। মসিগী য়াম্না মরু ওইবা মরমদি মীতোপ্পা (মীরমদগী লোন্না চঙশিল্লকখিবশিং) অমদি ৱাখল থেনবা লাইনীং লাইশোন মান্নদবা মীওই খুজোক খরনা অতম্নমা শীংনরকপা থৌওংশিংদগী কঞ্জনবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। শম্না হায়রবদা, মীতোপ্পা ঐখোয়গী ফনবা করিসু তৌবিরোই।

মীতোপ্পা ঐখোয়গী ফনবা করিসু তৌবিরোই হায়বা ৱাফমসিদি মতম লৈবা খিবিক্তা চুমদুনতা লৈরগদবনা হৌজিক্কী খুন্নাইদা য়াম্না তোয়না হায়নবা হৌরক্লবনি। ঐখোয় ইশাশিংগী লৈফম, হিংফম ওইরিবা ইরমদমসি অতোপ্পা মীশিংনা লাক্লগা কনবিরগদবা, শেমগৎপীরগদবা নত্তে। চাবা-থকপা, খুন্নাইলোন, নাৎ অমদি চৎনলোনচৎ মীতোপ্পা ৱাৎতনবা অমদি ফগৎহন্নবা হোৎনবিরগদবা অমত্তা নত্তে। মীতোপকী লোনচৎনা হীরম খুদিংদা ঐখোয়গী মাঙননবা তৌবা নত্তনা অতৈ অমা লৈতে হায়বসি হঞ্জিন্না হায়দুনা লৈরবা শান্তিদাস গোসাই লাকখিবদগী হৌখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা মখা তানা চথবগী ৱানি। অহানবদনা, ইনাৎ হুলাল্লগা মীনাৎ পামলুবদগী হৌখিবদু, অনীশুবদুনা লৈঙাক্লোনগা লাইনীংগা অনী পাশিন্নখিবদগীনি। ইন্দিয়া হিন্দু লাইনীং চৎপশিংনা মশীং হেনবা অমা ওইবদা হিন্দুত্বগী ৱাখল চেনবা লৈঙাক ফুরুপ (পোলিটিকেল পার্টি) অমনা ময়োল লৈঙাক ওইরগা মমা লৈঙাকসু মান্নবা ওইরগনা হেন্না লায়না হিন্দুগী ৱাখল্লোনদা পুশিন্নবা হোৎনবগী মমি তাই হায়বসি লোইনা খঙনৈ। পনবা য়াবা খুদম য়ামখ্রে। খরদং পঞ্জরবদা, কুমজা ১৯৭২দা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দ, ইম্ফাল হায়দুনা এক্ট, রুলস অমদি বাইলো শেম্লগা নিংথৌগী মহুৎ শিন্দুনা চহী ৩/৩গী টর্ম (মতম ওইনা) সেবা/থৌগল তৌবশিংগী য়েংশিনবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা ওইনা এগজিক্যুটিভ ওফিসর অমদা শিন্নবসিনা তাকপদি ষ্টেটসিগী লাইনীং-লাইশোন (রিলিজন) হিন্দুইজমনা ওই হায়বগা অম্ধানি। টেম্পল বোর্দ অসিগা মরী লৈনবা শেমগৎ শাগৎপা, নুংতিগী লূক হৌবা, নুংতিগী অমদি চহীগী ওইবা থৌগল অমদি পাঙথোক্কদবা থবক-থৌরম খুদিংমক ষ্টেট লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা মক্তনি। মমিংতগী ওইনা মাইবা, মাইবী, পেনা খোংবা, তানয়ৈশঙ অসিনচিংবা ঈনাৎকা মরী লৈনবা খরসি নত্তনা অতৈদি হিন্দুগা মরী লৈনবা মক্তনি। মতাং মতমগী মতুংইন্না শেমগৎ শাগৎপদা হন্দক্তা থা খরগী মমাঙদা হিন্দুগী চাওখৎনবা তৌবা কাঙবুগা ঈনাৎকী থৌরম থৌদাংগী শরুক য়াদুনা লাক্লিবা অনীগী মরক্তা চিন্দা পাউদানবগী থৌওং মীয়াম্না খঙখ্রে/তাখ্রে। মসি হৌনশানি। মরমদি লাইনীং লাইশোন অনীসি য়ূমদাংবনা কৈনাবা হায়দুনা চহী চহুম খরগী মতমদা মীরমদগী পুশিল্লকপা লাইনীংদুগা ঈনাৎ লাইনীংগী মচং ওইবা মওং মতৌগা য়াম্না হৈশিংনা তোৎশিন্নরগা পুথোকপা ওইবনা অহৈবা দাইরেক্টর অমনা মতাং, মতম চানা চানবা শক্তম (মতাংসিদনা করেক্টর) শিং পুথোক্লগা মীয়ামদা খুদোল তম্বদা খঙদবশিংনদি ফজৈদা হায়দনা খূবাক খূবা অমগুম্বনি হায়না হায়বা য়াই। অদুবু শৌগৎপীনবা/ঙাকপীনবা লৈবনা মীরমগা মরী লৈনবশিংনা মতম খরগী ওইনা মকোক মরূ হাইগৎপসু মহৌশানি। মতম ফরিঙৈগী ৱাসিদি মালেমগী ওইবা ৱাফমনি। প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইম মিষ্টির ওইরিঙৈ মালেমগী মমিং লৈবা লৈবাক কয়াদা অকন অরিং ফুদোক্তুনা তৌরম্বা কয়াদু মতম হেক লোইখিবদা মৱা মপাউ তানখিদবা কয়ানি হায়বসি অইবদগী হেন্না হৈশিংলবা কয়ানা হেন্না মরীক চুম্না খঙবীরিবনি। ●